# ব্রেভোরা ফিল্মসনা পুথোকপা চিলড্রেন ফিচর ফিল্ম
## মাগী মতম্বাক্তা

*- নানি*

ব্রেভোরা ফিল্মস প্রদক্সন, কম্পেনি অসি অনৌবনি। মমাংদা থোইদোক্লা অতোপ্পা ফিল্ম পুথোকখিবগী পাউ তাখিদ্রি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবী সুনিতা কেনা রিলিজিং ফঙ্কসনদা ফোঙদোকখিবদা-লৈরিবা খুন্নাইগী ফীভম অসিদা চিলড্রেন ফিল্ম পুথোক্তুনা অঙাং অমদি পেরেন্টশিংদা করিগুম্বা ৱাফম খরা থমনিংবগী অপাম্বা লৈ হায়না ফোঙদোকপা তাখি।



মসিনা হায়বদি কম্পেনি অসিনা ফিল্মগী সিরিয়স আর্ট অসিবু মশক খঙনা খুন্নাই মীয়ামদা মরূ চঙবা ৱাফম খরা থম্বদা থোইদোক্লা মহয় য়ানগনি হায়বা অসিনি। মদুমক্লা শেল তিংনা চিলড্রেন ফিল্ম অমা প্রোজেক্ট তৌদুনা পুথোরক্লিবনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগীদমক অহানবমক্তদা মণিপুর ফিল্মবু নুংশিজবশিংগী মহুৎ শিন্না ফিল্ম অসি তরাম্না ওকচরি। ফিল্ম অসিগী মতুংদসু হেন্না ফজবা ঐখোয়গী মিংচৎ পুরকপদা নৎতনা লৈবাক খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংদা অনৌবা আইদিয়া অমদি ৱাখল্লোন পোকহনবা ঙম্বা চিলড্রেন ফিল্ম কয়া অমা লেপ্তুনা পুথোরকপা ওইসনু।

মণিপুরদা চিলড্রেন ফিল্ম অসি খরদি তাঙই। ফিল্মবুদি য়াম্না পুথোকই, অদুবু চিলড্রেন কেটেগোরিগী ফিল্মসিমদি কয়া পুথোক্লদে। তশেংবদি মসি অরুবা অমসুনি। মরমদি চিলড্রেন ফিল্মনা ব্লোক ওফিস হিট ওইবসি কয়া ঙমগন্দে। অঙাংশিংদা ফোকস তৌদুনা ইস্যু ময়াম নৈনবা মরু ওইনা চাইল্ড সাইকোলোজিগা লোয়ননা অতৈ মরী লৈনবা হীরম কয়াদা চিলড্রেন ফিল্ম শেমগৎনৈ। চাইল্ড হায়বগী ৱানি, অহল ময়াম অমা চেন্নদবা য়াদে। মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংগা লোয়ননা চিলড্রেন ফিল্ম পুথোক্লরিবনি। ফজ-ফজবা চিলড্রেন ফিল্ম ময়াম অমা ঐখোয় হিন্দি ফিল্মদসু থেংনখ্রে, মমিং অমা পল্লবদা অমির খাননা পুথোকখিবা তারে জমিন পর হায়বা ফিল্ম অদু ময়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখি। ফিল্মদুনা অঙাংখক্তা নৎতনা অহলশিংনা মরু ওইনা পেরেন্টশিংদা পীনিংলিবা মেসেজ অদু খম থেংনা য়ৌখি হায়না হায়নখি। মণিপুরদসু চিলড্রেন ফিল্ম পুথোক্তবদি নত্তে। মমাংদা মশীং লিক্লা ফিচর ফিল্মগী ওইনা অনী অহুমদি লৈখ্রবরা খল্লি। মমাংদসু ২০০৬ তা দিরেক্টর মাখোনমনি মোংসাবগী **“য়েন্নীং অমদি লিক্লা”** হায়বা মণিপুরী চিলড্রেন ফিল্ম অমা হান্না পুথোকখ্রে। মায় পাকখি। ফিল্ম অসি ইন্দিয়ন পনোরামা ফংদুনা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই) গোৱাদা উৎখি। মালেমগী ফিল্ম ক্রিটিকশিংনা এপ্রিসিএট তৌখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। হন্দক ইনৌ নৌনা দিরেক্টর ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা ষ্টোরি, স্ক্রিনপ্লে, দিজাইন অমদি দিরেক্সন তৌদুনা ব্রেভোরা ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা পুথোরক্লিবা **মাগী মতম্বাক্তা** হায়রিবা চিলড্রেন ফিল্ম অসিগী খোঙচৎতি হৌদ্রি, ফিল্ম অসিনা মণিপুরগীদমক পুরক্কদগে হায়বদুদি হৌজিকমক্তি হায়বা খরা ঙনমল্লি। ঙাইখিবা তারি।

**“মাগী মতম্বাক্তা”** ফিল্ম অসি মতমগী ওইবা ঈথক ঈরাংদা য়াওল্লগা শেমগৎপা ৱারী নত্তে, ঈশৈ য়াওদে, ইচম চম্মী। চম্বগী ফজবদুগা লোয়ননা অয়েংবশিংদা কান্নরবা ৱাফম অমা নৈননবা থল্লকপগা লোয়ননা নুংঙাইবা মহাও অমদি কাঙলূপ ফুরুপ অমদি চহী খাইবা লৈতনা য়েনবা ঙল্লে। ফিল্মসিগী ৱারীসি য়াম্না সিরিয়স ওইবা মীওইবা পূন্সিগী কাঙলোন অমদি তুংলমচৎকী পরিংদা হকচিনবা মীৎয়েং থমদুনা শেমগৎপা ৱারী অমনি হায়না ঐদি লৌই। হৌজিক্কী ওইরিবা খুন্নাইগী মশক অসি য়েংলুরগা, মাখোনমনিনা মীয়ামদা থেল্লক্লিবা ফিল্মসিনা অচৌবা ৱাহং ময়াম অমা হংলি। মসিগী পাউখুম অমদি সোল্যুসন অদু ঐখোয় পূন্না নৈনদুনা থিমিন্নবা তারি। ওইরিবা অমদি ওইরক্কদবা ইস্যু/প্রোব্লেম ময়াম অমা ফিল্মসিনা হায়রি। মচা নুংশিমনবদগী হৌদোংনা মচা চাই হায়না হায়নবা অদুগুম্লদুনা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মচাবু মতিক চাবা মী অমমম্ ওইনবা হোৎনবদা মচা মাঙহন্নবা অমদি খুন্নাই অসিগী ফীভম হেন্না শোকচিন্নবা ওইনা থোক্লবরা হায়বসিগী পাউখুম ফিল্মসিনা পান্লি। মার্ক ওরিয়েন্টেদ সিষ্টেম ওফ এদ্যুকেসন অসিনা মরম ওইরগা মচাশিংবু নম্ফু ওইগেরা করি ওইগেগে মার্ক য়াম্না ফংদবা য়াদে হায়বা অসোমদা অঙাংশিংবু পুংখায় অমা ফাওবা পোথাহনবা শংদুনা ট্যুসন তৌবগী কলচর অমা কন্না লমদম অসিদা শাগৎলক্লি। মসিগী ইস্যু অসি য়াওনা মমা-মপা ওইবশিং অসিনা মচাশিংগী টেলেন্টশিংবু নমশিন্দুনা থম্বীবা অসি চুম্লিবরা হায়বসি দিরেক্টরনা কন্না হংলি। মসিগী পাউখুমদি মণিপুরগী পেরেন্টশিংতনা পীগদবা নত্তে। মসিদি মালেমসিগী ওইবা ইস্যু অমনি।



নুংঙাইরিবসি ফিল্মসি শেমগৎপদা মপূং ওইবা ৱারীগী পরিংদা শাগৎলিবা কেরেক্টরশিং য়ূমথংনহল্লগা মমা-মপানা মচাশিংবু করম্না শেন্লিবগে হায়বা অদু ইহায় হায়দোক্তনা লায়না উৎপা ঙল্লিবা অসিনি। থাংজম লুখোই য়োৎ শূবা লায়রবা মীশকনি। মচাবু প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তমহনবা ঙমদে, মচাবুদি মহৈ তমহন্নীংই, অফবা মী অমা ওইনা শেম্লিংই, লাইরিকখক্তা নৎতনা মণিপুরগী কলচরগা শাগোন্নবা পেনাবুসু তমহন্নীংই, মদুনা ঐখোয়গী শক তাক্কদবনি হায়বা নেসনেলিজমগী কল্লবা ঈথিল অমসু ফিল্ম অসিনা নাকোয়ননা পী। অদুনা মচাবু লৈকায়গী বোইজ গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মিং চল্লি। য়ূমথংনবা খরা শেন্থোক লৈবা অমগী মচাদুনা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লি। স্কুল চৎপদু ভেনদা টাই পুন্দুনা খোঙউপ ফজবা তোংদুনা চৎলি, সনাথোইদি মখোঙনা সেন্দল তোংদুনা উফুল মরক্তা চৎলি। সনাথোই মপানা পেনা শকপা তমহল্লি, ফজনা শকই। মদু তাবদা মপানা নুংঙাইজৈ। অদুবু মানা হেক পামজবদি লাই য়েকপনি। অদুবু লাই য়েক্লবা চে, কলর পেন্সিলদি মমা-মপানা লৈবীবা ঙমদে। অদুনা থংননা লৈবা ঐত্তা থাফবগী ইঞ্চোলদা খোই চোপ্পা, অশাৎপা লৈ মচু মচু হেক্তুনা মচু শংদুনা লাই য়েকহন্দুনা ৱারীসিগী ইমোসনেল সপোর্টকা লোয়ননা শাগৎলকই। মতাং অসিদা, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কলর পেন্সিল লৈবা ঙমদদুনা সনারৈ, জুবাকুসুম হেক্তুনা শুগাইরগা মদুনা মচু শংখিবদু য়াম্না নীংশিংলকই। দিরেক্টরনা মসিবু পুথোক্তুনা ফিল্মসিদা মফম চানা শীজিন্নরকপা অসি য়াম্না নুংঙাই। গভর্ণমেন্ট স্কুল খক্তগী ওইবা কম্পিটিসন অমদা লাই য়েকপা তান্নবদা সনাথোইনা মকোক ওইরকপা, জপানদা থাগনি হায়না লাউথোকপা, স্কুলনা শীন্দুনা মনা পীবা অসি ফাওবদা লৈরিবা চহী অমরোম ময়াগী মতমগী মনুংদা শেমগৎলিবা ফিল্মগী ৱারী অসিদা ইস্যুশিংগা য়াম্না থোৎনা মেংনা তোৎশিন্নরগা নীংথিনা পুথোরকই।

ফিল্মসি ফজৈ, অদুম্নমক্তি হায়নিংবা খরসু লৈ, সাউন্দ নুংঙাইতবা, খোঞ্জেল মাঙবা য়াওরিবা খরা অসি হান্না য়েংশিনবা মথৌ তারি। ফিল্মসিদা শীজিন্নরিবা সাউন্দ অসি শূটিং মতমদা শীজিন্নখিবা সাউন্দ অদুমক ওইগনি খল্লি। অদুবু মচা মশু খরা মেনশিনবা নৎতনা আর্টিষ্ট অমগীদি অতোপ্পা অমনা মপূম ওইনা দব্বিং তৌবা মাল্লি, তোঙান্না তারকই। কেরেক্টর অদুগী মুভমেন্ট, ফীলিংস অদুগা থোরক্লিবা ভোইস অদুগা চুশিন্নবা ৱাৎলি। মসি ঐগী লন্নাই ৱানি। সাউন্দ বেলেন্সিং খরা কায়বা মাল্লিবসি য়েংশিনহন্নীংই। লাইটকী মতাংদসু অদুমঙাই, সনাথোইনা নুমিদাংৱাইরমদা মাঙ্গোলদা পেনা ঈশৈ ঔরাইবা, ফমেনদা লুখোইনা ফমদুনা তাবা, মমানা লাই থাউমৈ থান্দুনা খুরুম্বা, থংনবদনা ইলেক্ট্রিক মৈঙালদা ইনাক খুনবদুনা মচাবু পীজ-পীথক তৌদুনা মখোয়না তৌরিবদু য়েংবা সিন অদু য়াম্না ফজবা সিন অমনি হায়না ঐদি লৌই। শূটিংদসু মদু য়াম্না পূক্লিং চঙনা অমদি চাউনা এরেঞ্জমেন্ট তৌদুনা নল্লমগনি খল্লি। সিনদুমক্তদা সনাথোইদা স্পোটলাইট অমা ঠিএট্রিকেল লাইটিংগী মওংদা এরিয়া অমা শীজিন্নরিবদু কেরেক্টরদা হাইলাইট তৌরিবদু দিরেক্টরনা থওইনা পামজনা তৌরম্বা ওইরমগনি খল্লি। মাগী মীৎয়েং অদু অনী থোক্লা লৈরমগনি, মণিপুরী কলচরগী ফ্যুচর অমা অনৌবা জেনেরেসনদা শীন্নরগদি লেংদনা লৈদুনা কনবা ঙমখিনি হায়বা অমসু য়াওরম্বা য়াই। অদুবু মম্‌তক তানা থল্লবসু অদুম ফজরমগনি খল্লি। ফিল্মসিদা এক্ট তৌরিবা চাইল্ড এক্টরশিং য়াম্না নেচরেল ওই। লীরিবা ৱারীগী দিমান্দ লোকেসন য়াম্না চুশিন্নৈ।

ফিল্ম অসিগী খোঙচৎ হৌরক্লগনি লোয়ননা মায় পাকপগী পাউ মথং-মথং তারক্লগনি, করি করি পাউনো ঙাইখিবা তারি।



# চহী ১৩দগীনা ১৯শুবা ফাওবদা লৈবা নহাশিংনা স্মার্ট ফোন শীজিন্নবনা এ দি ঐচ দিগী খুদোংচাদবা হেন্না মায়োক্লবগী তাঞ্জা লাক্লি



মশাগী চহী নৌরিবা চহী ১৩দগীনা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা নহাশিংনা স্মার্ট ফোন শীজিন্নবা অমদি অতোপ্পা দিজিটেল দিভাইসশিং তোয়না শীজিন্নবা অদুনা মখোয়দা এটেন্সন দিফিসিট/হায়পর এক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) গী খুদোংচাদবা অদু মখা তানা নেহগৎলকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ হায়রি।

এটেন্সন দিফিসিট/হায়পর এক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) গী নুংঙাইতবা অসি চহী নৌরিবা অঙাংশিং অসিনা স্মার্ট ফোন মতম হেন্না শীজিন্নবা অমদি লেপটোপ কা হেন্না শীজিন্নবশিংগী মরক্তা এটেন্সন দিফিসিট/হায়পর এক্টিভিটি দিসওর্দরগী মশীং হান্না লৈরম্বদগী মখা তানা হেনগৎলকপা য়াই হায়না ইন্দিয়াগী হেদ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এ দি ঐচ দিগী খুদোংচাদবা ফংলবা শান্নরোয়শিং মখা তানা মখোয় মখোয়গী লৈরিবা হান্নগী অশোনবা অমদি অৱাৎপা মফমশিং অদু ফুকৎনবা হোৎনরকপদা লায়না অসি নারবদি মখা তাবা কম্পিটিসন য়াওনীংদবগী পান্দম লৈরি।

য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলসতগী ফোঙদোরকপা অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পীরকপা অনৌবা রিপোর্ট অমনা মমাঙদা লৈখিবা এ দি ঐচ দিনা মশা শোকহল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদগী হন্দক্কী সিজন অসিনা অহেনবা থাক পুশিন্দুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা অৱাৎপা অমা থল্লক্লি।

য়ু এস এগী কোচ অদাম লিবেন্থালনা ফোঙদোরকখিবা অমগী মতুং ইন্না হান্না নুপীগী কম্পিটিসন কয়াদা লৈবাক অসিগী মায় পাক্তুনা লাকখিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং এ দি ঐচ দিগী খুদোংচাদবা অসি মখোয়দা ফংলবদি হান্না লৈরম্বা শান্নবগী থাক অদু নেমথদুনা মখা তানা শরুক য়াদনবা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা শোত্থদুনা লৈগনি।

# অঙকপা অমসুং খঙজিল্লুদবা অচুম্বশিং

- মতম অমদা চিকাগো পুলিসনা ক্রিমিনেলশিং ফানবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। কাইনথংদা মীওই অমনা পুথোরকপা ৱাখল্লোন মতুং ইন্না বেজবোল গেম অমা লেম্না য়েংনবগী টিকেট অমমম ক্রিমিনেল খুদিংমক্তা থারম্মী। গেম অদু য়েংবা লাকপদা ক্রিমিনেল পুম্নমক ফারম্মী।
- হূইনা মীওইবদগী মনা শিংবা হেল্লি। মীওইবনা তাবা ফংদবা অৱাংবা ফ্রিক্কেন্সিগী মখোল হূইনদি লায়না তাবা ঙম্মী।
- ‘DESSERTS’ হায়বা ৱাহৈ অসি মনীংদগী হঙ্গৎনা পাবা তারবদি ‘STRESSED’ হায়বগনি।
- FACETIOUS, ABSETEMIOUS অমদি ARSENIOUS হায়বা ৱাহৈশিং অসিদা ভাৱেল খুদিংমক মথং মনাও কায়দনা য়াওই।
- য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীয়াম্না নোংমা খক্তদা চারিবা পীজাশিং পুল্লপ শন্দোক্তুনা থম্বা মতমদা একর ৭৫ পাক চাউবা মফম কনগনি।
- পাথোক্লবা মতমদা মীওই অমমম খুদিংগী তীন-কাঙ ২০০,০০০,০০০ থুংনৈ।
- ৱা পাম্বী অমনা পুং ২৪গী মনুংদা ফূট ৩ ৱাংনা হৌগৎলকপা ঙম্মী।
- থুমগী শরুকশিং চুমথোকপা ঙম্বা কয়াৎ য়াওজবা মরম্না সীগলনা থুমহী চেনবা ঈশিং থকপা ঙম্মী।
- জেব্রাগী মচু অসি য়েংবদা অঙৌবগা অমুবগা শাংনা-শাংনা লাংবা মাল্লবসু তশেংবদি অঙৌবা মচুগী মথক্তা অমুবনা শাংনা শাংনা ষ্ট্রাইপ চেনবনি।
- মালেমদা মমিং চৎলবা ম্যুজিক কম্পোজর বীথোবননা ঈশৈ অমা কম্পোজ তৌনবা ফমথবা খুদিংগী মকোক্তা আইস য়াওবা অঈংবা ঈশিং হৈজিল্লবা মতুংদা ৱাখল খনবা হৌই।
- হঙোই মখল খরদি উন মনুংদা ফমজিন্দুনা থল্লুরবসু উন শৌদোরক্তুনা ঈশিং ওল্লকপা মতমদা অদুমক হিংলম্বা য়াওই।
- ঙসি ফাওবদা রেকোর্দ তৌহৌবা খ্বাইদগী চাউবা লেনদি কুমজা ১৮৮৭ তা মোন্টনাদা নোং চুবদা য়াওরকপা ইঞ্চি ১৫ পাকপা অমসুং ইঞ্চি ৮ থাবা লেন অদুনি।
- টাইগর শার্কক্কী ইন্দ্রায়োশিংনা মমাগী মবুক মনুংদা লৈরিঙৈদা অমগা অমগা খৎনদুনা হাৎতোক্লে। হিংহৌবা ইন্দ্রায়ো অদু মচা ওইনা পোক্লকই।
- হৌদোং অয়াম্বা ওয়না কোৎলি।
- ব্লু হ্বেল অমগী মরৈগী অরুম্বনা শামু অমগী অরুম্বদগী হেল্লি।
- অফ্রিকন বাওবা কৌবা উ পাম্বী অসিগী সর্কম্ফরেন্স ফুট ১৮০ রোমনি। উ পাম্বী অদু মনুংদা ইহো-হোবা তারবদি মীওই ২০ ইরায় লায়না চঙবা চনগনি।
- আইমেক্স থিএটরশিংদা সিনেমা কাপ্পদা শিজিন্নবা প্রোজেক্সন লাইট অদু শুন্দ্রং (স্পেস) তগী উবা ফংই।
- গোল্ফ হায়রিবা মশান্না অসি শন-শেনবা শঞ্জেন্নহা কাঙবু অমনা হৌদোকখিবনি হায়না থাজনরি। মখোয়না শন শেনবদা শীজিন্নবা শাজৈ অদুনা লমহাংদা তারম্বা নুঙ কন্দুনা শান্নবদগী গোল্ফ হায়রিবা মশান্না অসিগী ৱাখল্লোন পোক্লকখিবনি।
- চহী কয়াগী মমাঙদা ঙামীশিংনা ইঞ্চি ৩৩ শাংবা অমসুং কা হেন্না লুম্বা ঙা অমা ফারম্মী। মখোয়না ঙা অদু শেম্বা মতমদা বোট্টল অমা মনুংদা য়াওরম্বা থেংনখি।
- দোনাল্ড দককী কোমিকশিং ফিনলেন্দদা অথিংবা থম্মি। মরমদি কোমিকশিংদা দোনাল্ড দকনা খোঙ্গ্রাও শেৎতবগীনি হায়রি।
- কেটচপ অসি কুমজা ১৮৩০ গী অদুৱাইদা হীদাক ওইনা য়োন্নরম্মী।
- উচি অমদি শগোলনা মপুন্সিদা অমুক্তা ফাওবা ওবা থেংনরোই।




# ভেনিসকী গ্রান্দ কেনেল
## মালেমগী অঙকপশিং



ইটলিগী ভেনিসতা লৈবা গ্রান্দ কেনেল অসি মফমদুগী য়াম্না মরু ওইবা ঈশিং লম্বীনি। মিটর ৩,৮০০ শাংবা, মিটর ৩০দগী ৯০ ফাওবা পাকপা অমদি মিটর মঙা লুবা ঈশিং লম্বী অসিদা নুমিৎ খূদিংগী ৱাটর বস, লন্নাইগী ৱাটর টেক্সি অমদি মোটোর বোট কয়ানা মীওই লিশিং-লিশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌরি।

গ্রান্দ কেনেলগী তোর্ব্বানদা বিল্ডিং ১৭০ হেন্না পরেং শানা লৈ। বিল্ডিং অয়াম্বা ১৩ শুবা চহীচাদগীনা ১৮শুবা চহীচা ফাওবগী মনুংদা শাখিবনি। রিপব্লিক ওফ ভেনিসকী মখূৎ-মশা হৈবগী ময়েক শেংলবা খুদম অমা ওইরিবা বিল্ডিং অয়াম্বা পুক্লিং হূনা নীংথিজৈ। বেসিলিকা ওফ সান্টা মারিয়া য়াওনা চর্চ কয়াসু গ্রান্দ কেনেলগী তোর্ব্বান্দা লৈ। ভেনিসতা লৈরিবা মীয়াম্না কেনেল লাম্থোক লানশিন তৌবগী মথৌ তাদবা মরম্না ১৯শুবা চহীচা ফাওবদা রিয়ালটো ব্রিজ কৌবা থোং অমখক লৈরম্মী। হৌজিক্তি অতোপ্পা থোং অহুম শাগৎলে।

ললোন ইতিক তৌবা মীওইশিংগী ময়ূম অমদি পোৎ-চৈ থম্ফম কয়া শাগৎলকপদগী হৌজিক্তি কেনেল মপানদা য়ূম মশীং ফনা য়াম্না লৈরে। তরামঙাশুবা চহীচা হৌগৎলকপদা অনৌবা মখলগী য়ূমশারোল হৌদোক্তুনা নীংথিরবা বিল্ডিং কয়া কেনেল মপান্দা শাগৎলি। পেলাজো দারিও, পেলাজো কোর্নর স্পিনেলি, পেলাজো দোলফিন মানিন, পেলাজো পেপাদোপোলি অমদি পেলাজো গ্রিমানি দি সেন লুকানচিংবা নীংথিজরবা বিল্ডিং কয়া শাগৎখিবগা লোয়ননা পোর্দেনোন, টিন্টোরেটো, পাওলো ভেরোনিজ অমদি জেলোটিনচিংবা মমিং চৎলবা লাই য়েকপশিংনা বিল্ডিংগী মমায়দা নীংথিরবা লাই কয়ামরুম য়েক্লম্মী।

কুমজা ১৫৮২দা অলেজেন্দ্রো ভিটোরিয়ানা পলাজো বালবি শাবা হৌখি। হৌজিক্তি বিল্ডিং অসি গভর্নমেন্ট ওফ ভেনেটোগী ওইরে। মতমদুদা ভেনিসকী মরু ওইবা অর্কিটেকতি বালদাসারে লোংহেনানি। কুমজা ১৬৩১দা মহাক্লা নীংথিজরবা সান্টা মারিয়া দেলা সেল্যুট বেসিলিকা শাবা হৌখি। ভেনিসকী খ্বাইদগী নীংথিজরবা চর্চ অমসু ওইরিবা বেসিলিকা অসি গ্রান্দ কেনেলগী মরু ওইবা সিম্বোল অমসু ওইরে।

লোংহেনানা অকোনবদা নীংথিরবা কোনুং অনী- কা পেসারো অমদি কারেজোনিকো দিজাইন তৌখি। সান্টা মারিয়া দি নজরেথ চর্চসু মহাক্লা দিজাইন তৌখিবনি। লাইবকথীবদি অর্কিটেক অসিনা নীংথিরবা বিল্ডিংশিং অমফাওবা শাবা লোইশিন্দ্রিঙৈদা শিখি।

কুমজা ১৭৯৭কী মতুং তারকপদা ভেনিসতা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পূম্নমক লেপখিবগা লোয়ননা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা বিল্ডিং কয়া শীদোকখি। তুংদা ইটলিনা লৌশিল্লবা মতুংদা অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎপা হৌখি। গ্রান্দ কেনেলগী মপান্দা লৈবা বিল্ডিং পূম্নমকসু নৌনা অমুক শেমগৎপা হৌখি।

থায়না মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনবী অমগী মতুং ইন্না সেপ্টেম্বর থাগী অহানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়াম্না মরু ওইবা হিয়াং তান্নবগী থৌরম অমা গ্রান্দ কেনেলদা হেক হেক পাঙথোকই। মীওই লিশিং কয়ানা কেনেলগী নাকল য়েৎ-ওয়দা পরেং লেপ্তুনা য়েংবা হিয়াং তান্নবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লমদাইদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎলি। কুমজা ১৪৮৯দা সাইপ্রসকী মহারানী কেথরিন কোর্নারোনা ফম থাদোকখিববু নীংশিংবা ওইনা খোঙচৎ অসি পাঙথোকপনি। কুমজা ১৬৩০দা লায়চৎ অমা ওইনা শন্দোরকখিবা প্লেগ লায়নাদগী কনবীখিবগীদমক ভর্জিন মেরিবু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা নবেম্বর ২১দা মীয়াম্না সান্টা মারিয়া দেলা সেল্যুট চর্চতা লাই খুরুম্বা চৎনৈ।

ভেনিসতা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা কেনেল অসি মফম অমদা মথক-মখা ওন্নবা ‘এস’ মওং মাল্লি। চহী খূদিংগী তোঙান তোঙানবা মালেমগী মফম কয়াদগী মীওই কয়ানা য়েংবা লাক্লরিবা গ্রান্দ কেনেলগী মনাক নক্লা নীংথিরবা মীথুংশঙ কয়া শেমগৎতুনা লমকোয়বশিংগী খুদোংচানবা থৌরাং লৌখৎলে।

HL-P/2589/30,1-17Jan.

